# ফুংয়ারদা ঈশিং ফংদবগী খুদোংথিবা চাউনা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ঃ উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ফুংয়ার কেন্দ্রগী ফুংয়ারদা ঈশিং ফংদবগী খুদোংথিবা চাউনা মায়োক্লরে। অথুবা মতমদা পব্লিক হেল্‌থ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা অথুবা মিৎয়েং চংবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না সি পি আই (এম এল) লিবরেসন মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোংদোক্লি।

ফুংয়ার ফৈশাৎ সব দিবিজনগী অপুনবা মীশিং লিশিং ১৬ অসিগী থক্লবা ঈশিং পীবা হায়বসি তঙাইফদবা থবক অমনি। দিপার্টমেন্টগী অৱাৎপা ষ্টাফ লৈরবসু দরকার ওইবা ষ্টাফ হাপচিন্দুনা লমদম অসিগী প্রজাশিংগী ঈশিংগী অৱাবসি খুদক্তা কোকহন্নবা হোৎনফম থোকই। ভারতকী ওইনা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং ভিলেজ কম্মিটি শেন্নগা চলাইগদবনি হায়বসি মণিপুরগী ওইনদি খ্বাইদগী চানদবা অমনি। মরম অদুনা চুনগদবা থৌওং অমা হৌদোক্কুনা থকপদা হকচাং শোক্লরোইদবা ঈশিং প্রজাশিংদা মরাং কায়না ফংহন্দুনা ঈশিংদগী পোকপা লায়নাশিংদগী মীয়াম্বু কনবা তঙাইফদে হায়না চেরোল অসিনা ফোংদোক্লি।

দিপার্টমেন্টকী হৈথোই শিংথোইরবা ইঞ্জিনিয়ারশিংনা মীয়ামগী মীহুৎনি হায়দুনা লৈহৌরবা মিনিষ্টরশিংদা জ্ঞান তানা পাউতাক পীরম্লবদি ভিলেজ কম্মিটি শেন্নগা ৱাটর সপ্লাই স্কিম চলাইবগী থৌশিল অসি তৌরম্লোই। এসেন্সিয়েল সার্ভির্স এক্ট ১৯৭৬ অমদি মণিপুর এসেন্সিয়েল সার্ভিস মেন্টেনেন্স এক্ট ১৯৮৪ গী মনুংদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট অসিবু তরাইনা লৌদুনা ভিলেজ কম্মিটিদা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবা থৌরাং তৌহনবা অসি অসুম চত্থরবদি চহী খরগী মতুংদা অরুবা ফিভম অমদা লাক্কনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নন্না ১৯৭৮ দা পব্লিক হেল্‌থ ইঞ্জিনিয়ারিং হায়দুনা চীফ ইঞ্জিনিয়ার অমগী মখাদা দিপার্টমেন্ট অমা লিংলকপা চহী ৩৮ শুরক্লবা ফাওবা ফুংয়ারগী প্রজাশিংদা থক্লবা ঈশিং পীবা ঙমদবা হায়বসি লাইবক থিবনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মিনিষ্টর, চীফ ইঞ্জিনিয়ার অমদি উখ্রুলগী পি ঐচ ই দি ইঞ্জিনিয়ারশিংনা ফুংয়ারদা প্রজাশিংনা থেংনরিবা ঈশিংগী অৱাবসি হকথেংননা পুক্লিং চিংশিনবীদুনা লমদম অসিগী প্রজাশিংগী অৱাবসি কোকহন্নবা খুদক্তা থৌরাং পায়খৎনবা চেরোল অসিনা অপিল তৌরক্লি।



নোংমাইথেম ওংবী মেমচা এলাইজ মিমিগী মীশিগা মরী লৈননা মরাল লৈতবা মী ফাজিনখিবা অদু অথুবদা থাদোকউ হায়না নেসনেল হায়ৱে ২ ইম্ফাল–মোরে লম্বীদা চংশিল্লকখিবা খোঙজংদা পুলিসনা ঙাক শেনবা

# কন্সটেবল অমা কলর মেট থক্কুনা শিজখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১২ঃথা অসিগী১১ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৪৫ রোম তাবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুংদা লৈবা ফৌদেলদগী মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা কন্সটেবল ওইনা থবক তৌবা নুপা অমা শম শঙনবা গোদ্রেজ কলর মেট থক্লুবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা পুলিস কন্সটেবল অদুগী মমিং এম দি আকবর (৩০) অপোকপা এম দি অঙৌ খান ফৌদেল লিতান লৈরক্তগীনি। আকবর হৌজিক হৌজিক ৱাংজিং পুলিস আউট পোষ্টতা পোষ্টিং তারিবনি হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, লৈখিদ্রবা আকবরগী পোকমিন্নবী মচননুপী অমা তাং ১১ দা য়াইরিপোক চঙমদবী ময়ায় লৈকাইদগী এম দি মির সরিফ (২০) অপোকপা এম দি ফরিদ কৌবা নুপা অমদা চেনখি। চেনবা নুমিৎ অদুমক্তদা নুপী অদুবু নুপা ময়ুমগী মীনা তাম্থোরকপদগী মচননুপী অদুনা মথন্তা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসন্দা কমপ্লেন রিপোর্ট তৌবা লাকখি। আকবরসু পুলিস ষ্টেসন্দা লাক্লগা মচননুপীগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

ৱারী তারবা মতুংদা ৱাখল নুংঙাইতবগী আকবরনা দুকান অমদগী গোদ্রেজ কলর মেট (শম শঙনবা) অমা লৈরগা থকপদগী সি ঐচ সি য়াইরিপোক্তা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। ফিভম লুশিল্লকপদগী ইম্ফালগী হোস্পিটালদা পুখৎপদা লম্বীদা লৈখিদবনি।



অসামগী উলুবারিগী মনুংচনবা বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোদতা মীয়াম্না ফাখিবা কবোকৈ

# কফ সিরপকা কোন্ননা ফারে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ১২ঃ য়োনবদা অথিংবা থমখ্রবা নিশা ওইনা শীজিন্নবা হিদাক কোফ সিরপ বতল ১৮৬১ গা কোন্ননা নুপী অমা নার্কোটিক সেলগী কাঙবুনা ফারে হায়রি।

ফারবী নুপী অদু সেনাপতিগী লাহোরিজান্দগী রামাহা তুলাবী (২৭) কৌই। মহাক দিমাপুরদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা ট্রক নম্বর এমএন ০৭–এ–৪৮৯১ খোইজুমাগী চেক পোষ্টতা নার্কোটিক সেলগী কাঙবুনা চেক তৌবদা ফাবনি হায়রি।





*মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা হেদ ক্বার্টর্স আই জি এ আর (সাউথ)কী মনুংদগী ঙরাং মেজর জেনরেল ভি এস শ্রীনিভাসনা সাইকল রেল্লি লমথাখিবা*

লমায় ১ গী মখা

# ঠিয়েটর ওলেম্পিক্সগী মরু ওইবা মফমশিংগী মনুংদা মণিপুরসু ওইরবা য়াইঃ ৱামন কেন্দ্র

লাকপদগী মালেমগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা হৌহনখিবনি খল্লি। ঠিয়েটরগী লমদা রতন থিয়াম্না থল্লিবা ফিদাগী চাং অসিগী মতুং কনানা ইল্লিবগে। রতনগী প্লে ষ্টাইল অসি ঙমগদ্রা হায়বসি অচৌবা শীংনবা অমা ওইরি হায়খি।

এনএসদিগী চিয়ারমেন রতন থিয়াম্না হায়খি, অচৌবা–অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অমদি শীংনবা অমগা লোয়নন্না পাঙথোক্লিবা নেসনেল ঠিয়েটর ফেষ্টিবেল অসি মণিপুরগী মীয়ামগী পন্দুপ অমা হাংদোক্লবনি। মখা তানা পাঙথোকপা ঙম্বা ঙমদবা হায়বদুদি মীয়াম অমদি গভর্নমেন্টকী তেঙবাংগী মখা পোনগনি হায়খি।

এনএসদি ন্যু দিল্লিনা মণিপুর গভর্নমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অমদি কোরস রিপর্টরি ঠিয়েটর ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী তাং ৬ তগী চত্থরকখিবা ঠিয়েটর ফেষ্টিবেল ঙসি লোইশিনবা প্লে ওইনা রঙ্গপিট ঠিয়েটর, মুম্বাইগী ‘মোহে পীয়া’ উৎখি।

ৱামন কেন্দ্রনা দিরেক্সন পীবা প্লে অসি য়েংননবা শ্রাইন প্লে হাউস ফম্ফম লৈতবা মখৈ মীয়াম তিনখি। পুং ১.৩০ রোম শাংবা প্লে অসি মীয়াম্না তুমিন তুমিন মীৎ হোংদমখৈ য়েংনখি। ঠিয়েটরগী নুংঙাইবা মহাও অদু ফংবদা নুংঙাই হায়নসু অয়েংবশিংনা ফোঙদোক্লখি।

# কংলা শেমগৎপগী মীংদা শেন্দানফম ওম্থোক্লেঃ মাওইষ্ট

ঙসিদি কংলা শেমগৎলিবনি হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বা মাইকৈ অদুদা ওইদ্রে। ওফিসার ময়ামগী শেন্দানফম ওইরে। কংলা শেমগৎপগী মীংদা লৈরিবা শেঞ্জা থুমজাগী মতাংদা লুপ অদুনা থিগৎপা মতমদা মণিপুর হোর্টিকলচর লোইশঙগী ওফিসার খরনা ক্রোর কয়া হুরানখ্রে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙম্লে। শেল ফঙগনিবু হায়রবদি কংলা ফাওবা য়োল্লগা চারগে হায়না লৈরক্লিবা খুন্নাইগী শক্তমসিদি অসুক্কী মতিক নিংবা কায়নিঙাই ওইরে। কংলা শেমগৎপগী মীংদা শেন্দাল লম্বী ওইরকপসি ঙসি ঙরাংদগী হৌবীদি নত্তে। মীয়ামগী খোল্লাওদগী অসাম রাইফলস চৎখ্রবা মতুংদা ওফিসার ময়ামগী হুরানফম ওইহৌবসি কুইরক্লে। কৈ কিদুনা চেল্লগা লমওক ওক্লে হায়বা থৌদৌ অদু কংলাদগী অসাম রাইফলস চৎখ্রবা মতুংদা ঠিকাদার য়াওনা হুরানফম ওইহৌবসিদা মীয়ামদা থোকখ্রে। কংলাবু পুৱারিগা শাগোন্নরকপা মফম অমা ওইনা মণিপুর মীয়াম্না য়েংনফম ওইরিবনি অদুবু মীয়ামগী ঈহুলবু লল্লোনলগা হোর্টিকলচর লফিসার খরগী শগুন তৌফম ওইদুনা লৈরে। কংলা ফজহনবগী মীংদা শেমগৎলিবা হোর্টিকলচর ওফিসার অসিমক্তা লৈঙাক মকোক্কী গার্দেন, এসেমব্লি গার্দেন, লৈঙাক মকোক্কী ইমুং মনুংগী গার্দেনশিং ফাওবা শেন্নহন্দুনা খম থেংনা থাক ৱাংনা য়েংশিনবীনবা লৈতনা হুরান্বগী থবক চত্থরি। এসেমব্লিগী লৈকোল শেম্বগী ৱাফম মখোয়দা থোইদোক্তে। অদুবু কংলা হায়বসিদি মণিপুর মীয়াম্না থাক ৱাংনা ইকায়খুম্নরিবা পু ৱারিগা শগোলন্নরিবা মফম ওইবা মরম্না কংলাগী শেমগৎ–শাগৎপগী থবক অদুদদি লুপ অদুনা হকচিন্না লৌই হায়রি। কংলা শেমগৎপগী মতাংদা চত্থরিবা হুরানবগী থবক থৌরম অদুদা চেন্নরিবা হোর্টিকলচর ওফিসার অমদি মরী লৈনবশিংনা মশাগী মরাল য়াজদবা থোক্লদি লুপ অদুনা মীৎয়েং চংগনি হায়রি।

ঠিয়েটর ওলেম্পিক্সগী মরু ওইবা মফমশিংগী মনুংদা মণিপুরসু ওইরবা য়াইঃ ৱামন কেন্দ্র

লাকপদগী মালেমগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা হৌহনখিবনি খল্লি। ঠিয়েটরগী লমদা রতন থিয়াম্না থল্লিবা ফিদাগী চাং অসিগী মতুং কনানা ইল্লিবগে। রতনগী প্লে ষ্টাইল অসি ঙমগদ্রা হায়বসি অচৌবা শীংনবা অমা ওইরি হায়খি।

এনএসদিগী চিয়ারমেন রতন থিয়াম্না হায়খি, অচৌবা–অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অমদি শীংনবা অমগা লোয়নন্না পাঙথোক্লিবা নেসনেল ঠিয়েটর ফেষ্টিবেল অসি মণিপুরগী মীয়ামগী পন্দুপ অমা হাংদোক্লবনি। মখা তানা পাঙথোকপা ঙম্বা ঙমদবা হায়বদুদি মীয়াম অমদি গভর্নমেন্টকী তেঙবাংগী মখা পোনগনি হায়খি।

এনএসদি ন্যু দিল্লিনা মণিপুর গভর্নমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অমদি কোরস রিপর্টরি ঠিয়েটর ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী তাং ৬ তগী চত্থরকখিবা ঠিয়েটর ফেষ্টিবেল ঙসি লোইশিনবা প্লে ওইনা রঙ্গপিট ঠিয়েটর, মুম্বাইগী ‘মোহে পীয়া’ উৎখি।

ৱামন কেন্দ্রনা দিরেক্সন পীবা প্লে অসি য়েংননবা শ্রাইন প্লে হাউস ফম্ফম লৈতবা মখৈ মীয়াম তিনখি। পুং ১.৩০ রোম শাংবা প্লে অসি মীয়াম্না তুমিন তুমিন মীৎ হোংদমখৈ য়েংনখি। ঠিয়েটরগী নুংঙাইবা মহাও অদু ফংবদা নুংঙাই হায়নসু অয়েংবশিংনা ফোঙদোক্লখি।

## Gas Today

**KHURKHUL HEIKHAM SERVICE**
Booking upto.......04/02/2016
Valid from............30/01/2016
Stk. ................................306
Timing...............8 to 12 noon

**CHANCHI INDANE SERVICE**
Booking upto.......13/02/2016
Valid from...........06/02/2016
Stk. ................................306
Timing.......8 to 10 am
Submit Adhar xerox

**GBD INDANE SERVICE, LAMLONG**
Booking upto.......27/01/2016
Valid from........... 16/01/2016
Stk. ..........612 DNSC(DBTL)
Timing...........6.30 to 11 a.m.

**R&H INDANE SERVICE**
Booking upto.......17/02/2016
Valid from..............04/02/2016
Stk. ....................612(DBTL)
Timing...............8 to 11 a.m.
Submit Adhar Copy

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking upto.......04/02/2016
Valid from..............30/01/2016
Stk. ....................306(DBTL)
Timing.......7.30 to 9.30 a.m.

**IMPHAL LPG SERVICE**
DBTL Only
Booking upto.......13/02/2016
Sl.no. 78600
Valid from..............06/02/2016
Stk. ................612,19 kg-100
Avail 19 kg commercial connection Avail Net Booking

**THOUBAL GAS SINGJAMEI**
Booking upto.......01/02/2016
Valid from..............28/01/2016
Stk. ....................306(DBTL)
Timing...............7 to 10 a.m.
Delivery Point Kakwa
Submit Adhar Card


**THOUBAL GAS, THOUBAL**
Booking upto.......01/02/2016
Valid from..............28/01/2016
Stk. ....................306(DBTL)
Timing...............8 to 11 a.m.

**MAIBIA GAS MOIRANG**
Booking upto.......09/02/2016
Valid from..............05/02/2016
Stk. ................................612
Timing...............7 to 11 a.m.

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking upto.......25/01/2016
Valid from..............04/01/2016
Stk. ................................306
Timing.....7.30 to 10.30 a.m.

**PATSOI GAS**
Booking upto.......22/02/2016
Valid from..............08/02/2016
Timing...............8 to 11 a.m.

# মহৈরোইশিংগী খুদোল



Title :Lands cape



**Name: Reeya Laishram**
*Class: II- Sec : A*
*School: Unacco School*





*Name:* Sh. Nishika Sharma
*Class: III-Roll Sec-D*
*Unacco Scholl*

*Title :Barbie*






**Name: Banti N.**
*Class: III Sec-D*
*Roll no. 32*
*School: Unacco School*

*Title :Hello-Kitty*


*Title : The three Friends*






**Name: Mahes**
*Std: (V)*
*Roll no. 29*
*School: Unacco School*

*Title : Papaya*






**Name: Jeneva**
*Class: III- Sec :D*
*Roll no. 13*
*School: Unacco School*






*Title :Central Library*
**Name: Keithellakpam Babby vista**
*Std:III-D*
*School: Unacco School*

*Title :Dragon*






**Name: Henthoiba Okram**
*Class: I- Sec : D*
*Roll no: 16*
*School: Unacco School*






*Title : Mango*
*Name:* Laishom Umasnanda Singh
*Class: III-Roll no.52*
*St. John English High School, Nambol Khori Leikai*





**Name: Kreestina Naorem**
*Class: IV (C)*
*Roll : 55*
*School: Unacco School*




***Title: Naruto***
**Name: K. Yoiremsheelheiba**
*Class: IV*
*School: UNACCO School*

**Name: Beronika**
*Class:N-I.,*
*School : Heritage Convent*





***Title : Place***



***Title : Clean House***

**Name: Akash Giri**
*Class: VI*
*School : Black Bird English School*

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াউরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউঃ

